## এডিটোরিয়েল

[illegible]

# নম্বুল তুরেল দষ্টবিন ওইহল্লরোইসি

ইম্ফাল সহর ফাওদুনা চেল্লিবা লোক্তাক পাৎতা তারিবা নম্বুল তুরেল কনসি হায়না মায়কৈ কয়াদগী লাউরক্লিবা অসি ফনা কুইরে। সরকারগী মায়কৈদগীসু তুরেল অসি কন্নবা লৌখৎপা য়াবা থবক মতম–মতমগী ওইনা লৌখৎলবসু তুরেল অসিগী অনকপদা লৈরিবা মীওই চা কয়ানা লেপ্তুনা অমোৎ–অকায়, ফত্ত–হাওদি লংথফম ওইদুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। ঙসিদগী চহী ২০ লোমগী মমাঙদা মতম অদুগী ষ্টেট সরকারনা নম্বুল রিভর প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা তুরেল অসিগী নাক–য়েৎকী তোর্ব্বান চনখৎপা অমসুং শেংদোকপগী থবক ফেজ নায়না পায়খৎপা হৌরম্লে। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনসু নম্বুল তুরেল কনসি হায়বা কেম্পেইন পাক–শন্না চত্থখ্রে। তৌইগুম্বসুং তুরেল অসিদা অমোৎ–অকায়, ফত্ত–হাওদি, অপুম অশানচিংবা লংথবগী থিংবা ঙমদ্রি। লোয়ননা তুরেল অসিগী মপানদা অমদি অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামসু ভাব তাবা ৱাৎপা অমদি সিবিক সেন্স ৱাৎপগী ফীভম কয়া হৌজিকসু উবা ফংলি। মমাঙ চহীদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা নম্বুল তুরেলদা ফত্ত–হাওদি লংথবা অমদি থাদবশিং থিগৎতুনা ফাগৎকনি লোয়ননা তঙাইফদ্রবদি ষ্টেট পুলিস শীজিন্নদুনা তুরেল অসিদা কনা–কনানা ফত্ত–হাওদি লংথবগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিনগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখি। অদুবু ঙসি ফাওবদি চপ চানা থবক ওইনা চত্থবদি লৈত্রি। ষ্টেট অসিগীতা নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগী খ্বাইদগী মরু ওইবনি হায়না লৌনরিবা লোক্তাক পাৎ ঙাক শেন্দুনা কন্নবা হোৎনবদা পাৎ অসিদা তারিবা নম্বুল তুরেল য়াওনা অতৈ তুরেল মচা–মচাশিং হান্না কন্দবা য়াদে হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরিবনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু তুরেল অসি মোৎশিন্দনবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থবক পায়খৎলিদি হায়ববু মদু তুং–কোয়না মীয়াম্বু ভাব তাহন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনবদি ৱাৎলি। মসিমক্না মরম ওইরগা চহী কয়াগী মমাঙদা লৈরম্বা তুরেল অসিগী ফীভমদগী হৌজিক্তি কা– হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা ঈশিং ফাওবা শীজিন্নবা য়াদবগী থাক্তা লৈরি। মণিপুর ষ্টেট পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দনসু তুরেল অসিগী ঈশিং মফম কয়াদা টেষ্ট তৌদুনা য়েংবদা শীজিন্নবা য়াদবা ঈশিং ওইরে হায়বা খঙখ্রবনি। অদুনা লোক্তাক পাৎকী ঈশিংসু শীজিন্নবা য়াদবা ঈশিং মশানা ওইরকপা তারি।

মতম মতমগী ওইনা থবক কয়া পায়খৎলবসু মদু মীৎয়েং অমা নৎত্রগা অমদগী থৈদোক্তুনা হেক–হেক নাথৈখিবা লোয়ননা তুরেল অসিগী নাক–য়েৎ অমসুং অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংনসু তুরেল অসি মোৎশিন্দনবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপনা হৌজিক্কী কিনীংঙাই ওইরবা ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি। হন্দক্তা নম্বুল তুরেল কন্নবা অমসুং শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ৭৯.৭২ রোমগী প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা ভারত সরকারনা অয়াবা পীরকখিবা লৈখ্রে। অদুবু চপ চানা থবক ওইনদি পায়খৎত্রি। মসিগী মরম কয়াসু লৈরমগনিদি হায়ববু চহী খরগী মমাঙদা পায়খৎখিবা নম্বুল রিভর প্রোজেক্ট অদুগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট য়েংলগা অমদি থবক্কী খোঙজেলগী মতুং ইন্না মখা তাবা প্রোজেক্ট অসিগী চপ চাবা থবক পায়খৎলক্কদ্রা হায়বগী থাজবদি লৈ। তাঙ্কক নায়না তুরেল অসিগী তোর্ব্বান চনবগী থবক ফনা য়াম্নদি লোয়শিল্লে। অদুবু মফম খরদদি অনকপদা লৈবা খরনা মখোয়গী লম শোকই নৎত্রগা শোক্তে হায়বগী মতাংদা কোর্টতা ফাওবা চৎতুনা আইনগী মতেং লৌনবা হোৎনবদা থবক থেঙথহনখিবা অদুমক্না হন্দক্কী অসিসু মরম খরদগী থেঙথরবদি মদু অফবগী খুদম নত্তে হায়না লৌবা তাই। মরম অদুনা ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্চনা নেস্নেল রিভর কনজার্ভেসন প্লান (এন আই সি পি) গী মখাদা লুপা ক্রোর ৯৭.৭২ রোম চঙনা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসি মতম চানা হৌদুনা থবক লোয়শিন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মসিগা মরী লৈননা মীয়ামসু ভাব তাহনবা চঙই। তুরেল অমসুং পাৎশিং মোৎশিল্লক্লিবা অসি অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্না থৌৱা শাদবা অমদি সরকারনসু থওইনা য়েংশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়না লৌবা তাই। মরম অদুনা মপূং ওইবা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎত্রিঙৈ থবক য়েংথোকপগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবা অমসুং ভাব তামিন্ননবা হোৎনবনা অহানবা খোঙথাং ওইহন্নীংই।

[illegible]

# লৌরক্তা নাপী হৌহন্দনবা থৌরাংশিং

*প্রো. এম সুমার্জিৎ সিংহ*

লৌরক্তা নাপী হৌহন্দবনা ফৌগী পোত্থোক হেন্না থোকপা হেল্লি হায়বসি লৌমী ইচিন–ইনাওশিংনা হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরমদি মরু ওইনা লৌরক্তা নাপীশিং অদুনা হৌজিল্লবদি–

১। ফৌনা ফংজগদবা মচীঞ্জাকশিং অদু নাপীশিং অদুনা চুপখৎখিদুনা খরা মখৈদি শীজিন্নথোকখি।

২। নাপীশিং অদুনা ফৌরক্তা হৌজিন্দুনা নুংশাগী মঙাল অসি ফৌ পাম্বীশিং অদুদা ফংবা ৱাৎহল্লি অমসুং মশাগী মচীঞ্জাক শেমজবদা অৱাবা ওইহল্লি।

৩। ফৌদা তাগনবা লায়না তিলনাশিং অদু হৌরিবা নাপীশিং অদুদা তোয়না তাগনবা ওইরবদি নাপীশিং অদুদা তারবা মতুংদা অমুক ফৌশিংদা তাহল্লকই। মরম অদুনা নাপীনা ফৌগী চাথোকপু চাউরাক্না চাদা শরুক ৮০ দগীনা ৯০ ফাওবা মাঙহনবা ঙম্মী। ঐখোয়না লৌরক্তা নাপী হৌহল্লোয় হায়রবদি ঐখোয়না উপাই কয়া অমা শীজিন্নবীবা মথৌ তাই। উপাইশিং অসিগী মনুংদা মমাঙঙৈদগী শীজিন্নদুনা লাক্লবা ফৌ থাবগী নীয়মশিংনা নাপীবু মাঙ তাকহনবা, খূৎশু–খূৎলাই শীজিন্নদুনা অফবা অশেংবা মরূ খনবা, শীজিন্নরুবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফজনা শেংদোকপীবা, তিল–কাঙ শীজিন্নদুনা নাপীবু চাথোকহনবা অসিনচিংবনি।

মতম চানা থাবা ফৌ অসিনা নাপী–শিংবী কয়া অমদগী ঙাকথোকপা ঙমই। ‘অমুবাজী’ য়ৌখ্রবদি লৌবুকলোমদা মায় ওনশিনবা হৌরে। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি মসি কয়া তৌনদ্রে।

**ফৌদি খনবা ঃ**

ঐখোয়না ফৌদি খনবা মতমদা অশেংবা মরূ হায়বদি নাপী মরূ ফজনা খন্দোকখ্রবা খনবীগদবনি। অদুগা অমনা ফৌ অৱাংবা নৎত্রগা মনা পাকপা মখলশিংসু নাপী অসি খরা মখৈদি মখোয়না নমহৎতুনা হৌহন্দবা ঙমই। মরম অদুনা ঐখোয়না নাপীদগী খরমখৈ ঙাকথোকপীগে হায়রবদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিগুম্বা মগুণ য়াওবা ফৌদি অসি খনবীগদবনি।

**লৌহোন ঃ**

লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদা হায়বদি লীংদ্রিঙৈদা নৎত্রগা লীংবা মতমদা নাপী অসি ফজনা খন্দোকপীহৌগদবনি।

**লৌ খোয়বা ঃ**

ঐখোয়না কালেন্থাদা লৌ খোয়দোকপা অসিনসু হৌদুনা লৈরম্বা নাপীশিংবু খোয়দোক্তুনা নুংশাদা ফৌদুনা কংহন্দুনা খরমখৈদি মাঙহনবা য়াই। নুংশাদা কংবতা নত্তনা নাপীশিং অদু লৈতুম্না ননশিন্দুনা মাঙ–তাকহনবসু য়াওদবা নত্তে। মসিদা নত্তনা কৌখা কৌথুম্বসু কংহন্দুনা খরমখৈদি মাঙ–তাকহল্লি। অদুগা অমনা লৌ অসি ঐখোয়না হুন্নবা নৎত্রগা লীংনবগীদমক্তা লৌফম অদু ফজনা খোয়দোক্তুনা অমসুং ঈশিং থাজিন্দুনা নৈবনসু নাপী–শিংবীদগী খরা মখৈদি ঙাকথোকপা ঙমই। ঐখোয়না লীংখ্রবা নৎত্রগা হুনখ্রবা লৌফম অদু ফৌ পাম্বীশিং অসিনা খুলোল্লকপা মতমদা উকায় তকশিনবসু নাপীশিংদগী খরমখৈদি ঙাকতোকপা ঙম্মী। ফৌ লীংফম নৎত্রগা হুনফম অসি উকায় তকথোক্তুনা লৈতেম মান্নহনবনসু হয়েং ঈশিং চাং মান্ননা থম্বদা খুদোংচাবগা লোয়ননা নাপীশিংবু খরমখৈ হৌহন্দবা ঙম্মী।

**খূৎনা হাবেংবা ঃ**

খূৎনা লৌ পেংবা হায়বসি থায়নদগী চৎনরক্লবা ফৌবু নাপীশিংদগী ঙাকথোক্লবগী উপাই অমনি। মসি হৌরিবা ফৌ অদু অমুক্তং পেংথোকপীখিবা মতমদা কোন্না ফৌ পাম্বী অদুনা থুনা হৌগৎলক্তুনা নাপীশিং অদুবু নমহৎনবগী তাঞ্জা অদু ফংহল্লি। অদুগা হৌদুনা লৈরম্বা নাপীশিংবু মতুম তাশিল্লগা লৈবাক মনুংদা খোঙনা নেৎশিন্দুনা ফৌ পাম্বীশিংগী অশেংবা হার, ইংরেজিদা গ্রীন মেন্যুওর ওইনা ওন্থোকহনবসু য়াই। মসিদা নত্তনা ফৌ পাম্বীশিংগী মখোঙ অদু শোম্বীদুনা ঈশিং নুংশিৎ মরাঙ কায়না ফংহন্দুনা হেন্না ফজনা চাথোক লৈনা হৌহনবা ঙম্মী। খূৎনা পেংবা অসিনা লৌফম অদু হুনখিবা ওইরবদি পেংনা–পেংনা হৌরিবা ফৌ পাম্বীশিং অদুগী অরল–অকুংসু শেমদোকপীহৌবা য়াই।

**মেছিন শীজিন্নবা ঃ**

ফৌ পাম্বীশিং অদু পরেং–পরেং থাখিবা ওইরবদি ‘কোনো ৱিদর’, ‘জাপনিজ ৱিদর’ অসিনচিংবা শীজিন্নদুনা হৌরিবা নাপী অদু লৈবাক্তা তিনশিন্নদুনা গ্রীন মেন্যুওর ওইহন্দুনা নাপী হৌহন্দবা য়াই। মরম অদুনা ঐখোয়না ফৌ অসি পরেং–পরেং নায়না থাবীবা ঙম্লগদি নাপীদগী ঙাকথোকপদা য়াম্না খুদোংচাবা হেলহল্লি।

**নাপী চরোং ককথৎহৌবা ঃ**

ঐখোয়না ফৌমানবী হায়রিবা নাপী অসি নৌরিঙৈদা ফৌদগী তোখায়না খায়দোকপা হায়বদি খন্দোকপা ৱাবনা মখোয়না মপান শাৎলকপা মতমদা য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্লকই। মরম অদুনা ঐখোয়না হায়রিবা নাপী ফৌমানবী অসি ঐখোয়না মপাল অদু থাঙনা ককথৎপীদুনা মফম অমদা মাঙহনবীগদবনি। মসিনা মথংগী চহীদা ফৌমানবী নাপী অসিগী হৌবগী চাং অসি লৌফম অদুদা খরমখৈদি হন্থহনগনি। মসিনা ফৌ অদুগী মগুণসু হেনগৎহন্দুনা মীনা পাম্নবা হেল্লি। মথংগী ফৌদি লৌবদসু নাপী মরূ য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

**খূৎশু খূৎলাইশিং নান্না থম্বা ঃ**

ঐখোয়না লৌ খোয়বদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলাইশিং অসি ফজনা লু নান্না থম্বীগদবনি। অদুগা ঐখোয়না লৌ য়ৈবদা শীজিন্নবা মেছিন অমসুং ফক্লচিংবসু ফজনা শেংদোকপীগদবনি। মসিনা নাপী হৌবগী চাং অসি খরা মখৈদি হন্থহনগনি।

**মফম অমদা ওন ওন্দুনা পোৎ থাবা ঃ**

ঐখোয়না লৌফম অসি অহাংবা মতমদা অতৈ অতোপ্পা মখলগী পাম্বীশিং থাবনসু ফৌরক্তা নাপী হৌবগী চাং অসি খরমখৈদি হন্থহনবা য়াই। মরমদি লৌফম অদু অহাংবা মতমদা অতৈ পাম্বীশিং হৌজিন্দুনা থম্বনিনা নাপীশিং অসিগী হৌবগী মতম অদু থুগায়হল্লি। মসিদা নত্তনা তিল–কাঙ কয়াবুসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। ঐখোয়না হৱায়গুম্বা থারবদি লৈবাক লৈহাও লৈবসু হেনগৎহল্লি।

**ফৌ মরক্তা পোৎ অতৈ থাজিনবা ঃ**

ফৌ অদু পরিং পরিংদা থাবা ওইরবদি ঐখোয়না চুচু লাঙমৈগুম্বা থাদুনা খুকউমুক ৱাংলকপদা গ্রীন মেন্যুওর ওন্থোকপনসু নাপী হৌবদগী য়াম্না ঙাকথোকপা ঙমই। নাপী অতৈ হৌগৎলকপগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

**ফৌ মরক্তা চরু ৱাইনচিংবা হাপচিনবা ঃ**

ঐখোয়না ঈশিং অসি কা হেন্না লৈতবা লৌফম ওইরবদি, অদুগা পরেং–পরেংদা ফৌ পাম্বীশিং অদু হৌবা ওইরবদি, চরু নৎত্রগা ৱাই অসি অসি খরা থারপ্না ফৌ পরিং অনীগী মরক্তা থাজিনবীদুনা নাপী হৌবদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমই।

**মৈ থাদোকপা ঃ**

নাপী অদুনা লৌফম অদুদা য়াম্না হৌখিবা ওইরবদি লৌ লোকখ্রবা মতুংদা নাপীশিং অদু মৈনা থাদোক্তুনা নাপীগী মরূনচিংবা অদু মাঙহনখিবা য়াই। তৌবতবু মৈ থাবা অসি লৈবাক লৈহাও লৈবা হন্থহল্লি। মসিদা নত্তনা লৈবাক্তা কান্নরবা জীব মচা কয়া অমবুসু মৈশা অদুনা মাঙ তাকহল্লি।

**ঙানু য়োকপা ঃ**

ঐখোয়না ফৌ অসিনা নুমিৎ ৪০ নিমুক শুরকপা মতমদা ঙানু মচাশিং অসি লৌফম অদুদা য়োক্তুনা থাদোকপা মতমদা নাপীশিং অসি হৌবা য়াম্না হন্থহল্লি। ঙানু মচাশিং অসিনা মখোঙদা হৌগৎলক্লিবা নাপীশিং অদু নেৎখায়দুনা মাঙ তাকহল্লি। মসিদা নত্তনা মখোয়গী মচীন্না নৈখায়দুনা হৌগৎলক্লিবা নাপীশিং অদু নৈখায়দুনা খরমখৈ মাঙহল্লি।

**ঙা য়োকপা ঃ**

ঐখোয়না লৌফম অদুদা ঈশিং ৱাৎহন্দনা থমদুনা ঙা য়োকপসু নাপী হৌগৎলকপদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙম্মী। তৌবতবু য়োক্কদৌরিবা ঙা অদু নাপীচাবী ওইহনবীরোয়দবনি মরমদি ঙা অদুনা চাউখৎলক্লবদি হৌরিবা ফৌ পাম্বীশিং অদু শোয়দনা চাথোকখিবা য়াই। মতম চানা ফৌ লীংথোকপা ঐখোয়না ফৌ অসি মতম চানা লীংথোকহৌবনসু নাপী হৌবদগী খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙমই। য়ারিবা মখৈ ঐখোয়না লৌহোন ফোয়বা মতমদা ফৌ পাম্বী অসি তেকহনবীরোয়দবনি। মরমদি মসিনা ঐখোয়না লীংথোকপা মতমদা হেন্না থুনা খূৎলোন্দুনা নাপীদগী হেন্না থুনা হৌগৎতুনা নাপীবু নমথবা খরমখৈ ঙমই। খূৎলোনবা থিন্থরবদি নাপীদু হৌগৎলক্তুনা ফৌগা হৌবদা লমজেল তান্নরকপা য়াই।

**হার হাপ্পা ঃ**

ঐখোয়না ষণথী ষণয়ুংদগী শেম্বা হার হাপ্পা মতমদা মাগী মচীঞ্জাক অদুদা নাপী মরূ য়াম্না য়াওবা ওইরবদি, মদুনা তাহৌবা অকোয়বদগী য়ানশিন্নখিদুনা নাপী য়াম্না লৌফম অদুদা হৌগৎলকপা য়াই। মরম অদুনা ঐখোয়না ষষ্ঠী–ষণয়ুংদগী শেম্বা হারশিং অসি ফজনা য়েংশিনবীহৌগদবনি।

**লৌরি য়ান্দুনা ফজনা শাজিনবা ঃ**

লৌরি অসিদগীসু নাপী অসি য়াম্না শন্দোক্তবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয়না লৌরি অসি ফজনা য়াল্লগা লৈখোম্না অমুক শাজিনবীগদবনি। মসিনসু লৌফম অদুদা নাপী হৌরকপগী চাং অসি য়াম্না হন্থহনগনি।

**লৌগী কাচিন য়ানবা ঃ**

ঐখোয়না লৌগী কাচিন অসিসু ফজনা য়াম্থোকপীগদবনি। মরমদি হায়রিবা লৌগী কাচিন অসি ঐখোয়না লৌ খোয়বা মতমদা য়ৌশনবা য়াম্না ৱায়, মরম অদুনা নাপীশিং অসি হৌদুনা লৈগল্লি। মরম অদুনা লৌগী কাচিন অসি ফজনা য়াম্থোকপীদুনা নাপী হৌহন্দনবা হোৎনবীগদবনি।

# এঙ্গাং–নাপী থাফমগী নাপী হাৎপা

*নবকিশ্বর ঙাঙবম*

থওইনা থারিবা পোৎলক্তা হৌরকপা পামদবা পাম্বীশিংবুদি নাপী হায়নৈ হৌরক্লিবা নাপীশিংদুগী পীকপা চাউবা, মওং মতৌ অমসুং মরমচৎশিং খৈন্নে। মখোয়না থারিবা ভেজিটেবল (এঙ্গাং–নাপী) শিংদগী ঈশিং, মচীঞ্জাক, মঙাল অমসুং মফম, মুন্দুনা চাথোক হন্থহল্লি। পাম্বীশিংগী লায়না–তীলনা, মহীক–মতাইশিংগী শাইদাংফমসু নাপীদা ওইনৈ। চাউগনবা অমসুং মনা পাকপা নাপীশিংনা উরূম লাংশিলহল্লবদি ভেজিটেবলশিংনা নুংশাগী মঙালগী মতেংনা মচীঞ্জাক শুংজগদবদু খুদোং চাহন্দে। নাপীশিংদি মহৌশানা চাউরৈসু কল্লি অদুগা মচীঞ্জাকসু হেন্না চুপখৎপা ঙম্মী। ঈশিং নুংশিৎকী চান্নদবা ফীভমদা ফাওবা মখোয়গী মরূদি য়াম্না ঙন্না মতোল চোংদুনা হৌবসু ঙম্মী। মখোয়তবু শেন্নবদা পাঙ্গল, খূৎশু–খূৎলাই অমসুং হিদাক–লাংথক্কী অহেনবা চাদিং তৌহল্লি। হৌরিবা ভেজিটেবলশিংদুগা হিংবগী হৈনবী মান্নবা নাপীশিং ওইরবদি অমুক্না হেন্না খুদোংথী। নাপীশিংবু মাঙহন্নবগীদমক্তা লৈবাক শোমগায়বগী থবকশিংদি লেপ্তবা তাই। ভেজিটেবল মরক্তা হৌবা নাপীশিংসি চহী ১ হিংবা, ২ হিংবা, অদুগা মসিদগী হেন্না কুইনা হিংবসু য়াওই।

ভেজিটেবল থাফমগী নাপীশিংবু খূৎশু–খূৎলাইগী মতেংনা মাঙহনবা য়াবা থৌরমশিংগী খুদোংচাবা অমসুং চাদবশিং লোইনা লৈ। অদুবু নাপী হাৎনবা হিদাকশিং পুথোরকপদগীদি হিদাক–লাংথক্কী মতেংনা নাপীশিংবু মাঙহন্নরে। য়ূমগী ইঙ্খোল মচা–মশুশিংগীদমক্তদি য়োৎপাক থাঙজৌনচিংবা খূৎলাই মচাশিং শীজিন্নবা নৎত্রগা খূৎনা ফোয়দোকপা ময়াই। চুম্মী, খূৎনা হাবেংবা হায়বসিনা খ্বাইদগী শেংই। অদুবু পাঙ্গলনা হাবেংবগী মতম অমসুং শেল চঙবগী চাংদু য়াম্না ৱাংই। অদুনা লম পাক্লা কোইরকপা মতমদদি নাপী মাঙহন্নবগীদমক্তা মখল–মখলগী লাঙ্গোলশিং হেরো অমসুং কল্টিভেটরনচিংবা খূৎশু–খূৎলাইশিং শীজিন্নদবা য়ারক্ত্রে।

খূৎশু–খূৎলাইগী মতেংনা হাবেংবগা চাংদম্নরুবদা হিদাক লাংথক্কী মতেংনা নাপীশিংবু মাঙহনবা হায়বসিনা হেন্না লায়, মতম চঙদে অদুগা শেঞ্জংসু হন্থে। হিদাক লাংথকশিংনা নাপী হাৎপগী পান্দমসি খূৎনা হাবেংবা তোক্লবনি, খূৎশু–খূৎলাই শীজিন্নবকগী মহুৎ শিন্নবা নত্তে। হৌজিক্তি চহী খুদিংগী কৈথেলদা অনৌ অনৌবা হিদাক লাংথকশিং পুথোরক্তুনা নাপীশিংবু মাঙহনবদা হেন্না মহৈ য়াল্লক্লি। নাপী হাৎনবা হিদাকশিং ‘ৱিদি সাইদ’ নৎত্রগা ‘হার্বিসাইদ’ হায়না খঙনৈ। হার্বিসাইদশিং অসি সেলেক্টিভ অমসুং নন–সেলেক্টিভ হায়না খায়দোকই। সেলেক্টিভ হার্বিসাইদশিং অসিদি অখন্নবা নাপীশিংদমক হাৎলি, থারিবা মহৈ মরোংশিং অদুবুদি শোকহন্দে। অসিগুম্বা সেলেক্টিভ ওইবা হিদাকশিং অসিনা ভেজিটেবল থাফমশিংদা অয়াম্বা মতমদা শীজিন্নৈ। অদুম ওইনমক মখোয়বু শীজিন্নদ্রিঙৈদা হিদাক অদুনা তৌরক্কদবা থবক, খাঙবা ঙম্বগী মওংনচিংবদি হান্নরা খঙহৌবা তাই। অকক্লবা ভেজিটেবল অমবু অমাং–অতা থোকহন্দনা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হিদাক (ৱিদিসাইদ) কী চাং অসি ঋতু ঈশিং অমসুং লৈবাক লৈহাও খেন্নবগী মতুং ইল্লি। ভেজিটেবলদা নাপী হিদাকশিং কাপশিনবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবগী দরকার লৈ। চঙগদবা হিদাক্কী চাংসি হিদাক্তু শাবদা য়াওখ্রিবা মচলশিং অদুগী মখা পোনবা মরম্না শীজিন্নগদৌরিবা ঈশিংদুগী চাংগী মরু কন্না ওইদে।

মান্নদবা লৈহাওশিং, ঈশিং নুংশিৎ অমসুং অতৈ ফীভমশিংদা চাংয়েং চত্থবগী চাং ৱাৎলিবনা ইন্দিয়াদদি ভেজিটেবলদা ৱিদিসাইদ পাক শন্না শীজিন্নদ্রি। কদায়দা করম্বা হিদাক্না কয়াম য়াম্না শীজিন্নগদবনো হায়নবগীদমক চাংয়েং হেন্না তৌবগী দরকার লৈরি। ভেজিটেবল থাফমশিংদা খ্বাইনা তৌনরিবসি পোৎ থারমদায় নৎত্রগা হেক থাখিবগা লৈবাক্তা নৎত্রগা পীক্লিবা নাপী মচাশিংদা হিদাক চাইশিনবনি। ভেজিটেবলদগী হান্না হৌগৎলকপা নাপী চারাশিং হাৎনবগীদমক ‘কন্টেক্ট প্রি–ইরমজেন্স’ কী হিদাকশিং শীজিন্নৈ। পোৎ থাফম শেল্লবা মতুংদা খুদোংচাদবদগী থাবদা খরা থেংথখিবা তারবদি থাদ্রিঙৈদা নাপী হিদাক কাপহৌগদবনি। মসিদা শীজিন্নগদবা হিদাক্তুদি য়াম্না তুং কোইনা লৈগদবা হিদাক ওইরোইদবনি। নাপী মরূশিং পোকখায়দ্রিঙৈদদি বুটাক্লোর কাপ্পা য়াই। মসি মনা পাক্তবা নাপীশিংগীদমক্তা য়াম্না চান্নে। মনা পাকপা নাপীশিংদি মরূ পোকখায়খ্রবা মতুংদা ভেজিটেবলশিংদি হৌদ্রিঙৈদা ২, ৪– দি কাপ্তুনা হাৎপা য়াই। পোৎ থাফম খোইরমদায়দা গ্লাইফোসেট অমসুং পেরাক্লেট শীজিন্নদুনা নাপীশিং পাক্তক্লনা মাঙহনবা ঙম্মী। নাপী হিদাক শীজিন্নগে হায়রবদি হিদাক শারক্লিবা কম্পেনিদুনা ইরকপা রিকমেন্দেসন (অপীবা ৱারোল) শিংদু চেকশিন্না ইনবদি তাই।

# চরুয়েন করম্না থাগনি?

*সৈলেবম বিহারি*

চরুয়েন, চেঙ্গুম ময়ামগী মনুংদা অখন্নবনি। হৌজিক মণিপুরদা থানরিবা চেঙ্গুমশিংগী মনুংদা হাওবদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈ হায়বা য়াই। চরুয়েনবু লৈবাক অয়াম্বদা “ পেদ্দি স্ট্রো মশরুম” হায়না খঙনৈ, সাইন্টিফিক নেমদা ভোলভারৈল্লা লোয়ননা চাইনিজ মশরুম, ত্রিবুটরি মশরুম অমসুং ননহুআ মশরুম অসিনচিংবা কৌনৈ।

চরুয়েন হায়বসি করম্বা মতমদা কদায়দা ইহান হান্না থাখিবা অদুগা করি লমদগী হৌরকখিবগে হায়বগী চপ চাবা অইবা ওইনা ফংবা ঙমদ্রবসু ১৭ শুবা শদাব্দিগী ময়াই চল্লকপা অদুৱাইদা চাইনাগী বুদ্ধিষ্টকী লাইশঙ “ননহুআ টেম্পলদা বুদ্ধিষ্ট লম্বোইবশিংনা ইহান হান্না থাখি হায়না ইরম্বা রেকোর্দ অমদি থেঙনৈ। মখোয়না মশরুম হায়না খঙনদুনা মখোয়গী মকোক থোংবা গুরু খক্তনা চানবা নত্তনা অতৈনা চানরমদে। মখোয়দি ভিজিটরিয়াননি। ভিজিটেবলশিংগী মনুংদা চরুয়েন থোংবা মথেলনা খ্বাইদগী হাওবা অমসুং খ্বাইদগী লেম্নবা মথেলশিংগী মনুংদা মকোক্তা লৈরম্মী।

পেগোডা (বুদ্ধিজমগী লাইশঙ) গী মকোক থোংবা গুরুদা চরুয়েন কৎপা শিস্যাদু গুরুগী অচানবা শিস্যা ওইনা লৌনরম্মী। ঙল্লিঙৈগী মতমদা চেঙ্গুম থোংবগী মথেলবু “রোয়েল দিশ” হায়না খঙনদুনা মীচম্না চানরমদে। নিংথৌগী ইমুং–মনুংতনা চানবা মথেল ওইরম্মী। হৌজিক্কী মতমদসু চেঙ্গুম থোংবগী মথেল অমা য়াওরবদি মীরক তিনবা ইমুংনি হায়না লৌনরি। অসিগুম্বা চরুয়েন অসি হৌখিবা চহীদগী মণিপুরগী মফম কয়ামরুমদা খূৎশেমগী ওইনা মশরুম ফার্মর কয়ানা শেন্দাল লম্বী ওইবা য়াওনা য়ূমগী চানবা খরা–খরা থানবা য়াম্না য়াওরে।

“য়ুনিভর্সেল মশরুম ক্লব”, থাংমৈবন্দনা লমদম অসিগী মীয়াম্না চরুয়েন পাক–শন্না থাদুনা হাওরবা চরুয়েনগী মথেল চাং নাইনা চাদুনা হকচাংবু নাদ–য়েক্তনা মশা–মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ইমুংগী মীওইশিংসু চারগা অরেম্বনা য়োম্থোক্লগা ইমুংগী অৱাৎপা মেন্নবদা মতেং ওইহনবগী পান্দমগা লোয়ননা সরকারগী থৌশিল অমগী মতাং ইং ২০২২ ফাওবদা লমদম অসিগী ইমুং খুদিংমকপু মশাগী ইনকম (শেন্থোক) শরুক ডবল ওইহনবদা মতেং পাঙবা ওইনা লাক্লিবা মেগী তাং ১ দগী মথং চহী ইং ২০২০ এপ্রিল ৩০ ফাওবা “চরুয়েন থাবগী ট্রেনিং” লেম্না (শেল লৌদনা) পীগদৌরি। ট্রেনিং অসি মশা মশানা ট্রেনিংদা চঙগদবা মপোৎ–মচৈ মশানা পুথোকচরগা মশাগী য়ূমদা পাঙথোকচগদবনি।

ট্রেনিং অসিদা পীগদবা লেকচর অমসুং প্রেক্টিকেল খুদিংমক খবরদা মথং–মনাও নাইনা ইজরক্কনি। খবরদা ইরকপশিংদু মুন্না পাবীরগা ইরকইবশিংদু পাঙথোকপীরগা লোইরে।

ট্রেনিং অসিদা য়াওবীনিংবশিংনা অইবগী মোবাইল ফোন নম্বর ৮৯৭৪৮৭০৮১০ দা অদোমগী য়ূম্নাক, মিং, লৈফম অমসুং অদোম্বু কন্টেক্ট তৌবা ফংগদৌবা ফোন নম্বরগা পীবিরক্লগা য়ারে। হেন্না কূপ্পা মরোল খঙবীনিংলগা অইবগী লৈফম থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইগী খ্বাইদগী মখা থংবা নাকলদা থিবিরকউ। অদোম্বু তরাম্না ওকচগনি।

ট্রেনিং অসিদা চয়োল খুদিংগী য়ামদ্রবদা অমুক নৎত্রগা থা ১ দা অমুক্তি শোয়দনমক্কী চরুয়েন থাবীগদবনি অদুগা ফোটো লৌরগা অইবগী ফোনদা থাবিরক্কদবনি। দরকার লৈরবদি ঈ–পাউ লৌরক্কনি নৎত্রগা হকথেংননা য়েংবা লাক্কনি। ট্রেনিংশিংনা থারম্লিবদু কূপ্না য়েংলগা অথোই–অহেন খল্লগা সার্টিফিকেট পীদুনা ইকায়খূম্নবা উৎচগনি। অথোই–অহেন তান্নবসি কালেন্থা অমসুং নীংথমথা অনী থোক্কনি।

হৌজিক মে থাগী তাং ১ দগী হৌগদৌবা ট্রেনিং অসিগী চঙগদৌবা পোৎচঙ থৌরাঙ তৌবীরো। পোৎচঙদি খূৎনা য়ৈবা চরু মপুন (খরা চাউরপ তৌবা) ৫, হৱাই মাইরোংবিগী বেসোন গ্রাম ১০০, চেঙকুপ কেজি ১.৫০০, চরুয়েন মরু কেজি ১.৫০০। ঙন্নবদি এমোনিয়ম ফোসফেট কেজি ৬ কা শুপর ফোসফেট কেজি ১.২০০ থৌরাঙ তৌদুনা থম্বীয়ু। মসিনা চরুয়েনগী সাইজ চাউবা হেন্নবগীনি।

করিগুম্বা কেমিকেল শীজিন্নবা পামদ্রবদি চেঙকুপকা বেশোনগা শীজিন্নরিবসিনা অদুম য়ারে। চরুয়েন থানবা বেদ নৎত্রগা হিপ ওইনা থাগদবনা প্লেটফোর্ম অমা চেক্কী মথক্তা থম্বা য়ানবা মওংদা চৈ নৎত্রগা ৱাগী প্লেটফোর্ম ফুৎ ৩ লোমগী স্কৱার ওইবা অমা চঙগনি।

মথংগী য়ুমশঁকৈশ নুমিত্তা প্লেটফোর্ম শেম্বগী মওং অমসুং চরুয়েন থাবগী মওং য়েক্তুনা তাকপতা নত্তনা থাবগী মওংসু ইবা হৌজরগনি। খূৎই অদু য়েংবিরগা চরুয়েন থাবা শোইদনা ঙমগনি। ভাব তাবিদ্রগা মথক্কী ফোন নম্বরসিদা হংবিবা য়াগনি।

ট্রেনিং অসিদা চরুয়েন খুথা মখল ১২ থোক্লা থা খুদিংগী হোং– হোংদুনা থাগনি। হায়রিবা খুথা অদু থা খুদিংগী অনীশুবা চয়োল খুদিংগী অনীশুবা চয়োলগা ক্লব অসিদসু অখন্নবা ট্রেনিং নুমিৎ হুম্নি চঙনা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ হুম্নিগী ট্রেনিং অসি মে ১ দগী পাঙথোক্কদবা চহী ১ গী ট্রেনিংগী মনুং চন্দে।